# করি মরমগীনো কুকিনা মীতৈদা নোংমৈ কাপ্পা লেপত্রিবসি



**অচুম্বতনা মায় পাক্লকখিগনি**

**কর্নেল হাওরোংবম সরত (রিটাইয়র্দ)**

**শোখরবশিংদা কথোকচবা**

ইজরিবা ঐহাক্না খনখিবা অমসুং ইজখিবা অমসুং ঙাওখিবা ৱাফমশিং ময়েক শেংনা থবকশিং ওইনা থোক্লক্লি। মণিপুর ৱাংমদা চহী ৩০ হেন্না লাইরিক তম্লকখিবা অমসুং সর্ভিস তৌরুবদগী খেন্নবশিং অমসুং শেমদোক্কদৌবা থৌরমশিংদু খল্লগা চহী ৩১ মুকসি লমদম অসিদা ফোঙলিবা পাউচেশিংদা ইজরকখিবনি। মসিদগী হেন্দুনা ওল ইন্দিয়া রেদিও, ইম্ফাল অমসুং দি দি কে ইম্ফালদসু কয়ারক হন্না ৱা ঙাঙজখ্রে। খুন্নাই অসি করপসনগী মহিক্না পীরিক-পীরিক শৌরমখি অমসুং হৌজিক্না হেন্না করপসনগী ঈসি, মী অয়াম্বগী লূ-তোংদা নপখ্রে। করপসনগী লেভেলদদি মালেমসিদা খুন্নাইসিনা মকোক শোয়দনা ওইরমগনি। হৌজিক থোক্লিবা থৌদোক খুদিংগী রুট কোজ দি করপসননি। লমদম অসিগী মীওই খুদিংমক পুকচেল শেংলন্নবদি হৌজিক্কী ফীভমসি ওইরোই। শোয়রিবসি ঐখোয় পূম্নমক্লি। সেক্রিফাইসিং স্পিরিট খরতা ওইরবসু ঙাক্লল্লবদি ঙসিগী ফীভমসি ওইরল্লোই। ঐখোয়গী খুন্নাই অসিদি সেলফিশ ওইবা সোসাইটিনি। মশা-মশাগীতা খঞ্জবা অমসুং থবক ওইনা পাঙথোকচবা খুন্নাইনি।

কুমজা ২০২৩গী মে থাগী অনীশুবা চয়োলদা ঐহাক্না ইচাশিংদা হায়জখি 'হৌজিক নোংমৈশিংগী বেরেল (হায়বদি মতোনসি) চীংদা ওল্লি। করিগুম্বা বেরেল অসিনা তম্পাক্তা নখোয় মশেল ওনশিন্নরবদি খুন্নাইসি মফম মরাং খঙদ্রবা হায়বদু ওইরগনি। অদুনা দিসিপ্লিন হায়বসি য়াম্না মরু ওইবা ৱাফম্নি। ঐখোয় পূম্নমক সেল্ফ দিসিপ্লিন লৈরবদি খুন্নাই অসি ঙসিগী ফীভমসি ওইরল্লোই।

হান্নদগী হৌনা খুন্নাই অসি অফবা ৱাখল খনবা, লাইরিক-লাইশুগী থৱায় য়াওবা করেক্টর মরক্তা ওইরল্লবদি হৌজিক্কী মফম-মরাং খঙদ্রবা খুন্নাই অদুগুম্বদি ওইরল্লোই। লমদম অসিদদি পাউচে লমায় ১০ খক পানবা অসি ফাওবা পাদ্রে। চাওখৎপা লৈবাক অমেরিকা, ইংলেন্দনচিংবা লৈবাকশিংদা ফোঙলিবা পাউচেশিংদু লমায় ১০০ মুক পাল্লি। মণিপুরগী মীয়ামদি ৱারেম-থৌরমদা য়াম্না থৱায় য়াওই। পাউচে পাবগী মতমদি লৈতে। অদুগা ৱাথী ঙাঙনবগীদি মতম ৱাত্তে। মীতৈনা বৃটিশতগী কুমজা ১৮৯১-১৯৪৭ চহী ৫৬ পাল্লমখিবা মতম অদুগী অফবা করিসু তমহৌদে। মতম ফাওবা করম্না শীজিন্নগনি হায়বসি খঙনবা হোৎনখিদে। বৃটিশনা মণিপুরদা লাক্লম্বদগী স্কুলশিং লিংখৎলম্বনি। সার জেমস জোনষ্টোন ইংলিস স্কুল কুমজা ১৮৮৫দা লিংখৎখি। চহী ১৩৯ শুরবা স্কুলনি। অদুগা ইংলেন্দদদি কুমজা ১৪১৪দা The Eton College লিংখৎখি। ৱর্ল্ড ফেমস স্কুলনি। এদ্যুকেসনগী মঙাল ফংখিবা অমসুং লাইরিক লাইশুদা থৱায় লূপখিবসি বৃটিশনা ঐখোয়দগী চহী ৫০০/৬০০কী মমাঙদনি।

মালেমগী লেংগ্বেজ ইংলিসনা ওইরিবসিগী মরম, করিগুম্বা মতমদা ৱাখল খন্থবিদ্রা? খ্বাইদগী ৱাখল খন্থহনবা ঙম্বা কোটেসনশিংদি ইংলিস লেংগ্বেজদা য়াওরি। ইংলিস লেংগ্বেজ ফজনা খঙদবা, পাবা হৈত্রবা মীদি মপূং ফানা লৌশিং লৈরবা মী হায়বদু কৌবা য়াদ্রি। চাইনিজগী অফাওবা কবিশিংগী কোটেসনশিংসু ইংলিস লোলদা ইরগা থেংনরি। মণিপুরী লোলগী কোটেসন কয়া ৱর্ল্ড লেংগ্বেজ দা য়াওরিবগে? ঙসি ফাওবদা ইংলেন্দগী নিংথৌ অমসুং অঙম অথৌ অমত্তা মখোয়গী নুপী অনী থম্মী হায়বগী ৱাহে লৈত্রি। নুপী অনী শুবসু লোনা, সোসাইটিনা য়াদে।

মণিপুরগী পুৱারীসি য়াম্না ইকায়নীংঙাই ওইবা, হঙ্গোইনীংঙাই ওইরিবা ৱাফম ঙাক্তনি। হৌজিকসু ইন্দিয়াগী ফম্নাইবা মকোক অমসুং মথং-মথং ফম্নাইবশিং নুপী অনী শুবগী ৱাহে য়াওদে। মথোং হুক্তবশিংনা ফম্নাইবশিং ওইরগা লৈঙাক্তু করি ওইবা তাবগে? খন্থবীয়ু।

মণিপুর মীয়াম্না খনখিবা ফম্নাইবা ঙাক্তনি, হৌজিক কুমজা ২০২৪দা পাল্লিবা লৈঙাক অসিসু। শোয়রিবসি মীয়াম নত্তবরা? খ্বাইদগী হন্থবা মীওইশিংবু হায়বদি করেক্টর য়াওদ্রবা, করপসনগী মহিক মপীশিং অমসুং Courage হায়বদি মথৌনা য়াওদ্রবশিংনা লৈঙাক্কী মপূ ওইবদগী মীয়াম পূম্নমক হা-হা লাউনা হিংলিবসি। মতুংদদি মীয়াম্না ৱাখল য়াম্না মুন্না খন্থবীয়ু করম্বা মীওইবু মীয়ামগী মীহুৎ ওইনা খনসিগে হায়বদু। হৌখিবনা হৌখ্রে।

মীওইবগী পূন্সিগী লম্বেলদা এ, বি, সী ফাওবা খঙদ্রিবা, থেংনদ্রিবা, লানথোক্লগা চৎপা ঙমদ্রিবা নহা কয়াবু মীয়ামগী মীহুৎ ওইনা খল্লগা মতুংদা ওইরক্কদৌবা খুদোংথীবশিংদু হান্না খন্থবীয়ু। মতুংদা ওইরক্কদৌবা অশোয়-অঙাম পূম্নমক ৱাখল য়াম্না মুন্না খনবসি তাইবঙ মীওইবগী, ঐখোয়গী কোক্তা য়াওরিবা ব্রেনদুগী মথৌনি। ব্রেন ফজনা শীজিন্নবীয়ু। ব্রেন শীজিন্নদ্রবা জীবশিংদি জঙ্গলদা, লম্ফাংদা, অফং-অফংবা নাপী, শা-ঙা হিংনা-হিংনা চারিবা কাঙলূপ্তুনি। ঐখোয়দি লম্ফাং-তুহাংদা হিংলিবা জীবশিংদি নত্তেদনা। খেন্নবদু ময়েক শেংনা থমসি।

ঐখোয়গী মরক্তসু নুপাশিংনা নুপীশিংবু লাইফদবীদৌনা লোয়নবিবা কয়া য়াওরি। মী অয়াম্বসি মশানা মশাগী অশোয়বশিংদু খঙজদে। খন্থবসু ঙমদ্রি। শোয়দনা পূন্সি লৈপূন ওইরগনি হায়রগা থা কয়া নুমিৎ কয়ানি পূন্না লৈমিন্নরগা, লুহোংলরোই হায়রগা থোক হেক লংথোকপসু, খাইনবসু য়াওরি। অদুগুম্বা মীওইবু-মীওইশিংবু ঐখোয়না মশক য়াম্না মুন্না খঙহৌগদৌবনি। ফত্তবা, ওত্তবা, করেক্টর লুদবা হায়বসি ঈদা য়াওখ্রবনি। পাক হেক হোংদোকপা য়াররোইদৌবনি। অসুম্না ইংলিসকী ৱাহৈদা When Wealth is gone, Nothing has gone, Health is gone, Something is gone. Character is gone, Everything has gone. অসুম্না করেক্টর য়াওদ্রবা মীওই অমতসু মীয়ামদগী লাপ্পা থম্বীখো। করেক্টর য়াওদ্রবা মীদি খ্বাইদগী অমাংবনি।

থায়নগী পুৱারী হাইগৎতুনা পারুবদা মণিপুরদা কুমজা ১৮৯৪গী মতমদা সব ইন্সপেক্টর অমখক অমসুং কন্সটেবল ১২ খক্না লমদম অসিগী লো এন্দ ওর্দর ঙাক্লমখি হায়না থেংনজৈ। হৌজিক কুমজা ২০২৪ অসিদদি হায়বদি চহী ১৩০গী মতমসিদদি মণিপুরদা দিরেক্টর জেনরেল ওফ পুলিস অনী-অহুম লৈরে, ইন্সপেক্টর জেনরেল ওফ পুলিস, দেপ্যুটি (দেপ্যুটি ইন্সপেক্টর জেনরেল), দিষ্ট্রিক্ট খুদিংগী সুপরিন্টেন্দেন্ট ওফ পুলিস (এস পি), এদ্দিসনল এস পি, য়ামখ্রবা পুলিস ষ্টেসনশিং, আউটপোষ্ট পুলিস ষ্টেসনশিং, ইন্দিয়ান রিজার্ভ বট্টালিয়ন (আই আর বি), কম্মান্দো য়ুনিটস, মণিপুর রাইফলসকী বট্টালিয়নশিং, হোম গার্দস, ভি দি এফশিং, পুল্লপ্পা পুলিসকী ষ্ট্রেঙথ অসি লিশীং ৫০ হেল্লমগনি। অসুক য়ামখ্রবা য়ুনিফোর্ম শেৎপশিংনা পীকখ্রবা খুন্নাই অসি কন্ট্রোল তৌবা ঙমদ্রিবসিগী মরমদি কূপ্না থিজিল্লুবদা অরানবা দ্যুটিদা শীজিন্নবা মী মশীং থিবা ঙমদনা লৈরমগনি। নোংমৈ পায়বনা ট্রাফিক কন্ট্রোল তৌবা য়াদে। লানগী মতমদতা নোংমৈ পায়রগা ট্রাফিক কন্ট্রোল তৌগদৌবনি। মফম-মরাং খঙদ্রবা সিন অসি মফম খুদিংদা মতম পূম্নমক্তা উরিবা ইরমদমনি।

কুমজা ২০২৩গী মেগী অনীশুবা চয়োলদা ইচাশিংদা সেল্ফ দিফেন্সকী ট্রেনীং পীবা হৌখিবা নুমিৎতা অসুম্না হায়জখি - "ঐগী পূন্সিদা দিসিপ্লিন হায়বসি খ্বাইদগী মরু ওই। নখোয় পূম্নমক সেল্ফ দিসিপ্লিন থম্মু। নখূৎতা খূৎলায় পায়রে হায়দুনা তৌনীংবা তৌবা য়াবা নত্তে। লৈবাক্কী, খুন্নাইগী মায়োক্তা করিগুম্বা অমা পাঙথোকপা য়াবা নত্তে। লৈবাক্কী আইন অদু নখূৎনা পায়বা য়াদে। পূন্সি হায়বসি আইন্না য়োম্লগা হিংলিবনি। নখোয়দা তম্বীরিবা পূম্নমকসি ইমা লৈবাকপু ঙাক্লবনি। অরানবদা শীজিন্ননবা ট্রেনিং নত্তে। নখোয় মঙাইরে হায়না হিংবসু য়াবা নত্তে। ইচাশা নখোয়গী মফম ফজনা খঙউ। ইরমদমগীদমক থৱায় কথোকপা ঙম্বা মীওইশিংদুদি চঙনা স্বর্গ কারবনি। লান চঙবা হায়বসিদি খোঙফম খুদিংমক চেকশিন্দবা য়াদে। থৱায় হকচাং য়াওনা ট্রেনিংসিদা তম্মু।"

চহী ৭৭কী মমাঙদা শেমখিবা কুকি নেসনগী প্লানগী শরুক অমদি সস্পেন্সন ওফ ওপরেসন (সূ) হায়নরিবা এগ্রীমেন্ট অসি মখোয়গী খুদোংচাবশিং ফংনবগী লাংনি। লাং অসি ইন্দিয়া গভর্ণমেন্ট অমসুং মণিপুর গভর্ণন্টেদা থাকখিবনি। কুকিশিংগী গোদ ফাদরদি থাংখোপাও কিপগেননি। মহাক মণিপুর ষ্টেটকী অহানবা আই এ এস ওফিসরনি। কুকি ইনপিগী ফাউন্দিং প্রসিদেন্ট ওইরমখি। মহাক্না শেন্নম্বা লম্বীদনি মখোয়না মথং-মথং পাঙথোক্লক্লিবসি।

কয়া য়াম্না শোয়বগে হায়ববু কুমজা ২০২২গী সেপ্টেম্বর ২৩দা মণিপুর গেজেট অমা ফোঙদুনা কুকিশিংবু ইন্দিজিনস পর্সননি হায়দুনা ফোঙখিবা অসিনি। কুকিশিংদি মণিপুরদা কুমজা ১৭৪১দা চহী ২৮২গী মমাঙদা লাকখি হায়বা থেংনরি। লমদম অসি মকোক মমৈ করম্বনো খঙদ্রবা মফম ওইরে। মখোয়না মণিপুরগী এরিয়াদগী চাদা ৭১ তাল্লিবসি চৈ লৈতবগী ৱাফম নৎত্রা? অসুক

| কুমজা | থৌদোক |
|---|---|
| ১৮৯৪ | এস আই ১, কন্সটেবল ১২ খক্তনা মণিপুরবু ঙাকপা। |
| ১৮৯৬ | চেঙ তাঙবা-ফৌ শঙবাইদা লুপা ৪ পীখি মতমদুদা। |
| ১৮৯৮ | কোলেরানা মী লিশীং ৬,৫০৩ শিখি। |
| ১৯০৪ | অহানবা নুপীলাল - নুপীনা ঙমখি। |
| | খ্বাইরম্বন্দ কৈথেলদা নুপী কৈথেল য়োৎকী তিন্না কুপ্পা। |
| ১৯০৭ | মে ১৭ - চহী ১৭ বৃটিশনা পাল্লবা মতুংদা মণিপুরগী মহারাজদা চার্জ শিন্নে। |
| ১৯০৯ | সেপ্টেম্বর ১৫ - অনৌবা মাদ্রাশা অমা লিংবা য়াখি। |
| ১৯১০ | অহানবা ওইনা চীংগী লমদা মীকোক থিবা। |
| | মার্চ ১২দা মণিপুরী নত্তবা মীওই ভারতবাসিবু টেক্স লৌবা হৌখি। মণিপুরদা ময়াং |
| | মচাশিং ফোরেন্নর ওই। |
| ১৯২০ | সৌগাইজম সোমোরেন্দ্রনা অহানবা বি এ ওইখি। বেন্দ পার্টি য়াওরগা ওকখি। |
| | চেঙ থাদোকপা থিংনবা বজার বোইকোট তৌখি। |
| | মণিপুর নেসনেলিজমগী অহানবা মৈরি চুখি। |
| | নুপীনা কৈথেল কাদ্রবদা কোনুংগী ফম্নাইবশিংনা নুমিৎ ৪নি নুপাগী কৈথেল কাখি। |
| ১৯২১ | লেন্দ রিফোর্মগী অহানবা খোঙথাং ওইখি। |
| ১৯২২ | মণিপুরী চেফোঙ 'মীতৈ চনু' বিরচন্দ্রজিৎনা অহানবা চেফোঙসি ফোঙখি। |
| ১৯২৮ | রেদিও ব্রোদকাষ্টিং হৌখি। কবো ভেল্লি মণিপুরদা হঞ্জিন্নবা Butler Committee দা তক্লখি। |
| ১৯৩০ | চূড়াচান্দ প্রেস লিংখৎখি। অহানবা মীদিয়াগী খোঙথাংনি। কলচরেল লিবরেসনগী অহানবা খোঙথাংসু ওইখি। |
| ১৯৩১ | মণিপুরগা ইন্দিয়া লৈঙাক্কা দাইরেক্ট রিলেসন থমখি। |
| ১৯৩৩ | ওল মণিপুর পিপলস মুভমেন্ট - নুপা লাল থোকখি। ঈশিং খাজনা মূথৎপা। |
| | নবেম্বর ১৯দা অহানবা পোলিটিকেল পার্টি শেমখি। |
| | মণিপুর চীংলমগী সব দিভিজন ৩- সদার, তমেংলোং, উখ্রুল শেমখি। |
| ১৯৩৫ | মণিপুরী সাহিত্য পরিষদ লিংখৎপা। |
| ১৯৩৬ | সিনেমা তোকিজ লিংখৎখি। |
| ১৯৩৭ | তম্পাক্তা ষণ হাৎপা থিংখি। |
| ১৯৩৮ | দিসেম্বর ৩০, মণিপুরী মহাসভা চীংঙা মীফম্না ১০শুবা ৱারেপ - চীং-তম খায়বা থিংখি। |
| ১৯৩৯ | দিসেম্বর ১২- নুপীলাল অনীশুবগী ঈহৌ। |
| ১৯৪২ | চাক য়াম্না তাঙবা - ফৌ শঙবাইদা লুপা ২০। (২০০৫গী রেৎতা চাউরাক্না লুপা ২,০০০ মুক ওইগনি) |
| | মে ১০- জপাননা ইম্ফালদা বোম থাদখি। |
| | মে ১৬ - জপাননা নোংথক্তগী ইম্ফালদা লান্দাবা। |
| ১৯৪৩ | এপ্রিল ২০-২১- ইম্ফালদা বোম থাদখি। |
| ১৯৪৪ | চীফ কোর্ট লিংখি। জুদিসিয়ারিগা এগজিক্যুটিভকা খাইদোক্লখি। |
| | এপ্রিল ১৪ - আই এন এনা মোইরাংদা ইন্দিয়াগী ফিরাল য়ুংখি। |
| ১৯৪৬ | দি এম কোলেজ লিংখি। মণিপুর ষ্টেট কোংগ্রেস পার্টি পোকখি। |

য়াম্না উশিৎ-থৌওইদবগী মরমদি ঐখোয়গী ফম্নাইবশিংসি করপসনদা লূপখিবা, লাইরিক-লাইশু হৈতবা অমসুং করেক্টর য়াওদবদগী তৌরিবনি। মখোয়দা লক্সমন রেখা অমা চিংলগা থমহৌদবদগী শোক্লিবনি। য়াবা নৎত্রগা য়াদবা আইন অসি য়াম্না চেকশিন্না, মতম চানা য়েংশিলহৌদবা য়াদবনি ঐখোয়গী পূন্সিসি। খরা চারগা, খরা থক্লগা, ব্রেনসি ফন-ফন চোংহল্লগা হিংবা য়াবা নত্তে।

কুকিনা নোংমৈ কাপ্পসি করিগী অসুম কাপ্লিবনো, করি মরমগীনো? মীচম মীয়ামদা করিগী কাপ্লিবনো হায়বসি মীপূম খুদিংমক্না ইতোম-ইতোমতা খন্থমিন্নসি। পাউখুম অসি আর্টিকল অসিবু ইজরিবা ঐহাক্কীদমক য়াম্না তেল্লি। চয়োল অমগী মনুংদা ঈরাংসি পুমলোই লোইশিনগনি, ঐহাক্কী ওইবা থবক্তি। ঈরাংসি লোইশিনবা পামদবা কাঙবুনা অসুম চত্থরিবনি। ঐখোয়গী খুন্নাইসি মনীং হন্না চৎলে। মীওইবা অতৈগী খোঙচৎকা ঐখোয়গা মান্নদ্রে। মীয়ামদা হায়জনীংবদি - ঐখোয় খুদিংমক ৱাখল য়াম্না মুন্না খন্থসি। অফবা নৎত্রগা ফত্তবদু মশক খঙবীয়ু। ●

## হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-৮৫

১) **"সধ্যাগী ঈশৈ : নুংশিবগী নুংশিবা"** হায়বা লাইরিক অসি করম্বা মখলগী লাইরিক্নো? অইবা অসি কনানো?
২) **"এসিয়াগী অনৌবা ৱারীশিং"** হায়রিবা লাইরিক অসি মণিপুরীদা কনানা হন্দোকপগে?
৩) **"মরূ হুনবা"** হায়না মিংথোনবা লাইরিক অসিগী অইবগী মমিং হায়য়ু অমসুং করম্বা মখলগী লাইরিক্নো?
৪) **"শজিবুগী লৈহাও"** হায়বা লাইরিক অসি কনানা ইবনো?
৫) **"ননাক্তা লাক্কে খল্লিঙৈ
অহিংসিসু অমুক ওইরক্কে
নঙগী মঙলান্দা য়াওরগে খল্লিঙৈ
অয়ূক্কী মঙালনা হাল্লক্কে।"**
ঈশৈ মতেক অসি শক্লাইরবা ঈশৈ শৈরেংবা অমগী লাইরিক্তগী লৌথোরকপনি। অইবা অমদি লৌথোরক্লিবা লাইরিক্কী মমিং করি কৌবগে?

মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম মার্চ ১৫, ইরাই নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল **hueiyenliteraryquiz@gmail.com** সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

*হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-৮৪গী অচুম্বা পাউখুম থাবীরকখিবশিংদি*

১) তোংব্রম জিবোন, লাংজিং অচৌবা মখা লৈকায় - (১,৩,৫)
২) রাজকুমার গিরীন, পুরানা রাজবারি নোংমৈবুং - (১,২,৪,৫)
***৩) অনন্দকুমার খুঞ্জাময়ূম, তাওথোং অয়ুংবা ময়ায় লৈকায় - (১,২,৪,৫)***
৪) মাইস্নাম বুধ, চীংঙামখা মাইস্নাম লৈকায় - (২,৪,৫)
৫) হিজম অজেম, পাৎশোই পার্ট ৪ লাই হরাওবুং মনাক - (৪,৫)
৬) থিয়াম রাজেন্দ্র লুৱাং, রাইজিং সন দ্রেসেস থাংমৈবন্দ - (১,২,৫)

*হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ- ৮৪গী ৱিন্নর*

***অনন্দকুমার খুঞ্জাময়ূম, তাওথোং অয়ুংবা ময়ায় লৈকায় (দ্রোদা ৱিন্নর ওইখ্রবা)***

**লিটরেরি ক্যুইজ ৮৩গী শেলগী মনা অসি ৱিন্নর ওইরবা মীওই অসিগী বেঙ্ক একাউন্টতা ওইনা হাপচিঞ্জরগনি।**

## হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-৮৪গী পাউখুম

১) **"নুংশি লমন"** (২০১৬) হায়বা লাইরিক অসিগী অইবা কনানো অমসুং করম্বা মখলগী লাইরিক্নো? **:- অইবা শ্রীসৌগাইজম কুলবিধু সিংহ, লাইরিক্কী মখল - নোভেল, অহানবা ফোঙবা : ২০১৬।**
২) **"মেরা থাগী শনারৈ"** হায়না মিংথোনবা ঈশৈ শৈরেংগী লাইরিক অসি কনানা ইবনো? **:- অইবা - সোইবম একেন্দ্র, অহানবা ফোঙবা : দিসেম্বর ২০১৪।**
৩) **"নুংশিরবী পোক্ললমদম
নথানুংদা হিংলিবা মহিংসিবু
করি মহিং কৌবগে?"**
শৈরেং মতেক অসি অইবা কনাগী লাইরিক্তগী লৌথোরকপা করম্বা শৈরেংনো? **:- অইবা - বিরেন্দ্রজিৎ নাওরেম, লাইরিক্কী মমিং - তুরেল নঙদি, শৈরেংগী মমিং - খোল্লাং লমন, অহানবা ফোঙবা : ৩০ সেপ্টেম্বর ২০০৮।**
৪) **"পূন্সিগী মহাও"** হায়রিবা লাইরিক অসি করম্বা মখলগী লাইরিক্নো? অইবগী মমিং করি কৌবগে? **:- লাইরিক্কী মখল - ৱারীমচাশিংগী খোমজিনবা, অইবা - য়েংখোম নিলচন্দ্র, অহানবা ফোঙবা : ১২ মার্চ ২০১১ ইং, থাংজ।**
৫) **"দা. কমল : লাইফ এন্দ ভিজন"** হায়বা লাইরিক অসি মণিপুরীদগী ইংগ্রাজিদা কনানা ট্রান্সলেট তৌবগে? লাইরিক অসিগী ওরিজিনেল অইবা কনানো ? **:- ইংগ্রাজি ট্রান্সলেসন - নোংমাইথেম ইবোহল সিংহ, ওরিজিনেল অইবা - লাইরেনলাকপম শরত, ওরিজিনেল লাইরিক্কী মমিং - ডা. কমল : পূন্সি অমসুং মঙলান, ফর্ষ্ট পব্লিশ : ওগষ্ট, ২০১৭।**

# ইনাকখুনবা, ওফিসরগী লাইশোন

- খোইস্নাম ধিরেন মীতৈ -

তোয়না তামন্দুনা তানীংদ্রবা ৱাহে খরনা পূনশিল্লগা মীতৈ মাঙদনবা, মণিপুর কন্নবা লাইৱা অমা শেম্মী। হৌখিবা মে ৩, ২০২৩দগী চহী লিশীং অহুমগী পুৱারী লৈজবা, পুকচেল চাউবা, মীনা লাকচবা য়াদবা ঐখোয় মীতৈদা কুকি ইমিগ্রেন্ট নার্কো টেররিষ্টশিংনা লান্দারকপদৈ কোইচেন চেল্লবদা ঐখোয়গী বি জে পি লৈঙাক্না শীংথানীংঙাই ওইবা ফিরেপ অমা লৌরকপা ঙাইদুনা মীতৈশিংনা ৱানা খাঙলি।

অফংবা খরা চারিবনিনা হৌজিকমক শিদ্রবসু থাজদবা নুমিৎ অমদা খঙহৌদনা শিখিদনবা লায়েংগে হায়রবদি ৩/৫/২০২৩না হোস্পিটালদা পুখৎতুনা মিং চনবা নুমিৎ ওইরসি। হোস্পিটালদা মিং চনশিল্লবা শিফাৎত্রিবা মীতৈশিং লায়েংদৌরিবা ডাক্তরশিংনা অনাবা মীতৈ লায়েংবা নুংঙাইনবা পারি-পুরিগী ৱারী নীংথিনা ইশিনসি। অনাবনসু মশাগী হৌরকফম ৱারী ফজনা লীথোকপীয়ু।

ঐগী ইমা ইপাগী, ইপু ইবেনগী ৱারী খঙদ্রবদি অনাবা ফরক্লবা হীদাক থাবা ঙম্লোই। মদুগী ৱারীদুনি মীতৈগী চহী লিশীং অহুমগী পুৱারী হায়রিবসি। শিফাৎত্রিবা মীতৈগী পুৱারী ফজনা খঙলবা মতুংদা মীতৈশিংগী কোককী শরুক মখৈ এম আর আই লৌবা হায়রগদি মীতৈ খুদিংমক নিংথৌ ওইনা হিংলকই হায়বসি কাউগুমসি।

য়ূম অমগী য়ূম্বুরেম্বনা ইঙ্খোল অকোয়বা লৈপন থোন্দুনা খোংবান থমদুনা য়েক্লবা শা ষণদগী ঙাকথোকই। লৈপন অকোয়বদা উ-ৱা থাদুনা অকনবা নোং নুংশিৎতগী ইমুংগী মীপূম খুদিংমক কন্থোকপগী থৌদাং লৌই। নিংথৌ অমগী কোনুংদা লাইশঙ (মন্দির) থমদুনা লাই খুরুমজবগুম মীতৈগী য়ূমথোঙ খুদিংদা লাইনিংথৌ সনামহীগী খুভম লৈ। মীতৈগী ইঙ্খোলদি নিংথৌগী কোনুংনি।

য়ূমদা থুংলরবা মীবু হরাও হরাও কৌদুনা মীওক মীচান ফবী মহারানি ওইনা য়ূমথোঙ খুদিংগী মীতৈ নুপীশিংনা পথাং পুথাং য়ৈনা হিংলকই। চঙজরক্তুনা নীররবা মীদা য়ূমগী অরৈবা পীজখিবদা পূক্নিংদা নুংঙাইতবা পোক্তবী মীতৈ নুপীনি। মীতৈগী ঈ খুদিংমক্তা নিংথৌ ওইবগী মগুণ অমা য়াওদুনা লৈরি। মীতৈ খুদিংমক নিংথৌ ঙাক্তনি। নিংথৌ ঙাক্তনিনা অমনা হায়বা অমনা য়েৎলি, অমনা তৌবা অমনা শীংথাদে। অতোনবা কুকিশিংদা নুংশিরবসু ঐখোয় মশেলদি নিংথৌ ঙাক্তনিনা ফূগায়নরি।

নিংথৌগী ঈ চেনবা মীতৈশিংনা কুকিবু নুংশিবসু মখোয়সি ময়ূম মকৈ লৈজদবা, হিংনবগী চাক খরা চারগা কোইচৎ চৎপা কাঙবুনি হায়দুনা নুংশিবনি। মীতৈনা নিংথৌ ওইদুনা চহী লিশীং অহুমগী অইবা পুৱারী ফাওবা লৈজবা কাঙবু ওইবদৈ ঐখোয়না ইরমদম অসিগী মপূ অদুম ওইরি হায়দুনা খঞ্জবদৈ ঐখোয় মশেল মূক্লবা, ঐখোয় মশেল য়েংথিনবা, ঐখোয় মশেল মরক্তা চাউবা তান্নবদা ঐখোয় ইশাগী পাঙ্গল শোন্থরে।

নিংথৌ অমগী ঈ চেনবা মীতৈ ওইরবসু ময়ূম মকৈ লৈত্রবা মীতৈ অমগী থাক্তা হিংলম্লে হায়বসি হন্দক কুকিশিংনা নোংমৈ কাপ্তুনা তাল্লকপদা মীতৈনা কোইচেন চেনবদগী ময়েক শেংলে। মীতৈগী থাক ইরমদম মণিপুরদা মীনাই ওইরে হায়বসি মন্ত্রিসু, ওফিসরসু, মীচম মীয়ামসু খঙলবদি মীতৈনা নারিবসি হিংদৌবা মাল্লি।

নিংথৌগী ঈ চেনবা মীতৈ মচা থৌনা ফবা ঐখোয় মশেল য়ৈনদুনা লৈবদৈ শিরুম নারুম তৌরবনিনা কোইচৎ চৎলগা হিংবা কুকিনা তাল্লকপদা কোইচেন চেন্দুনা খাঙলে। মীতৈনা মীতৈগী য়াইফনবা খনবগী ৱাখল, মীতৈনা মণিপুরগী তুংগী লাইবক লেপচনবগী ৱাখল য়াওদনা অফাওবা অঙাওবা ওইনা কুইনা হিংলকপদৈ শিরক্তৌরবা মীতৈবু কনবীনবা দেল্লী লৈরি হায়বসিসু শিদোরবা মীতৈনা হায়রগা শিদোরবা মীতৈনা থাজরি।

থা তরা মীতৈনা হোস্পিটালগী ফমুংদা হীদাক অমত্তা থাদনা ওন্না থোইনা খাঙদুনা লৈবসিবু ঐখোয়গী লৈঙাক মপূনা মীতৈদি খাঙবা কনবা ফূরুপনি হায়দুনা নোকচরি। ইন্দিয়ানসু মীতৈদি শান্ন খোৎনবদা মীথোই মীহেন ওইবনিনা খাঙবা কনবা ফূরুপনি হায়বা খঙবদৈ মতোমতা নাবা ফরকপা ঙাইরি। হন্দক মীতৈনা নারিবা লায়নাসি কনবীনবা দেল্লীনা হোৎনবিরকপদু ঙাইবা ঙমদদুনা শিখিবা থোক্লবদি মীতৈ খুদিংমক্কী ইপা-ইপু, পারি-পুরিনা থম্বীরম্বা চহী লিশীং অহুমগী পুৱারীদুগী মখা তাবা ৱারীদি দেল্লীনা ইহৌরগনি। অদুদগীদি ঐখোয়গী অহলশিংদো মখোয়গী ওইখ্রগনি। ঐখোয়গী ইচাশিংসু মখোয়গী মচা ওইখ্রগনি।

হৌজিক ফর-ফর হাইদুনা হোস্পিটালগী ফমুংদা তাদুনা লৈরিবা মীতৈশিং কনসি হায়রবদি মণিপুর কৌবা ইরমদমসিদা মীতৈনা মীনাই ওইনা হিংলম্লে হায়বসি ইনাকখুনবশিংগী অয়ূক য়াহৌরকপগী লাইশোন ওইসি। ওফিসরশিংগী নুমিদাং তূম্লমদাইগী লাইশোন ওইসি। লৈঙাক্না মীয়ামদা পাউজেল ওইনা পীসি। ●

